# মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব টিম এনা মাউন্টেন দিভিজন পোলো টুর্নামেন্টকী ৱিন্নর ওইখ্রে




ইম্ফাল, মার্চ ০২ (ঐচ এন এস) : মণিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিএশন্না শিন্দুনা ইম্ফালগী মপান কাংজৈবুংদা চথুরকপা ৭ লক শুবা ৫৭ মাউন্টেন দিভিজন পোলো টুর্নামেন্ট ২০১৭ ঙসি লোইশিনখিবগা লোয়ননা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব টিম এনা ৱিন্নর ওইখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা ৫৭ মাউন্টেন দিভিজন পোলো টুর্নামেন্টকী ফাইনেল মেচ অদুদা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব টিম এনা খুরাই পোলো ক্লব পাঞ্জল ৩-১ দা মায়থীবা পীদুনা লেমজনীংঙাই ওইরবা টুর্নামেন্ট অসিগী ৱিন্নর ওইবা ঙমখিবনি।

ৱিন্নর ওইখ্রবা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব টিম এদা ত্রোফি অমসুং লুপা লিশীং ৪০ গী শেলগী মনা ঙসিগী থৌরমগী চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখিবা ৫৭ মাউন্টেন দিভিজনগী জেনরেল ওফিসার কম্মান্দিং (জি ও সী) মেজর জেনরেল য়ু সুরেসকুমারনা খূৎশিন্নখি। রন্নর্স-অপ তাখ্রবা খুরাই পোলো ক্লবতা ত্রোফি অমসুং লুপা লিশীং ৩০ গী শেলগী মনা খূৎশিন্নখি।

হৌখিবা ফেব্রুৱারী ১৯ দগী চথুরকখিবা টুর্নামেন্ট অদুগী লোইশিনবগী থৌরমদা মণিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট এস বুধচন্দ্র (রিটয়ার্দ আই এ এস), ইন্সপেক্টর জেনরেল আসাম রাইফলস (সাউথ) কী মেজর জেনরেল বিরেন্দ্র সিংহ, ভি এস এম অমসুং ৫৭ মাউন্টেন দিভিজনগী দেপ্যুটি জি ও সী বৃগেদিয়র এস কে এস চাওহান্না প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াদুনা শান্নরোয়শিংদা মনাশিং য়েন্থোকখি।

ঙসি শান্নখিবা য়াম্না নুংঙাইরবা ফাইনেল মেচ অদুদা লম্বা থেংনখিবা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব টিম এ অমদি খুরাই পোলো ক্লব লমদমসিগী খ্বাইদগী মপাঙ্গল কল্লবা পোলো ক্লবশিংনি। টিম অনী অসিনা অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নখিবা মেচ অদুগী অহুমশুবা চক্র ফাওবদা মায়কৈ অনীগী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না হৈশিংবা মান্ননা শান্নখিবনা অমনা অমবু লাকশিনবদা ৱানখি। থোইদোক হেন্দোক্না এক্সপরিএন্স লৈরবা শান্নরোয় ঙাক্তা লম্বা তৌনখিবা মরম্না মেচ অসি য়াম্না ফাষ্ট ওইখি। মেচ অদুগী অহানবা চক্রদা টিম অনীমক্না পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদে। অনীশুবা চক্রদসু টিম অনীগী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না হৈশিংনা শান্নখিবনা অমনা অমগী মায়োক্তা গোল চন্নবা অকনবা এটেক চথুনখি।

অনীশুবা চক্রগী অরোইবা মিকুপ্তা খুরাই পোলো ক্লবকী টি রোসন্না গোল একাউন্ট হাংদোকখি। খুরাই পোলো ক্লবনা পাঞ্জল অমা মাঙজিল থানা লৈখ্রবদা গোল শোথরিবা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লবকী শান্নরোয়শিংনা পাঞ্জল হন্দোক্লবা ফনা কন্না হোৎনজরবসু অহুমশুবা চক্র ফাওবদা গোল শোখনা লৈখি।

মেচ অদুগী মরিশুবা অমদি অরোইবা চক্রদা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লবকী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না থৱায় হকচাং য়াওনা শান্নরক্তুনা টিমদুগী গোল অহুম্মক থংনা থংননা চন্দুনা মেচ মায় পাকখিবনি। মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব টিম এগী পাঞ্জল অহুম অদু এস বিমোলনা পাঞ্জল অনী অদুগা ঐচ অবুং খুমন্না পাঞ্জল অমা চনখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী লোইশিনবগী থৌরমদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখিবা মেজর জেনরেল য়ু সুরেস কুমারনা লমদমসিগী শান্নরোয়শিং মরুওইনা পোলো শান্নরোয়শিংনা য়াম্না পুকচেল শেংনা অমদি থৱায় হকচাং য়াওনা শান্নরিবা অসিদা ঐখোয়না থৌগৎকদবনি। টুর্নামেন্ট অসিগী পান দমদি লমদমসিগী হৌগৎলক্লিবা শান্নরোয়শিংবু হেন্না অফবা শান্নরোয় ওইনবা হোৎনবনি হায়খি।

# ঈ এস য়ু ৱাংখৈনা পোইন্ট ১০ ফংদুনা সেনিয়র ৱিমেন'স ফুটবোল লীগকী চেম্পিয়ন ওইখ্রে



ইম্ফাল, মার্চ ০২ (ঐচ এন এস): ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএশন্না শিন্দুনা খুমন লম্পাক আর্টিফিসিএল টর্ফ গ্রাউন্দদা চথুরকপা নিপানশুবা অম্ফা সেনিয়র ৱিমেন'স ফুটবোল লীগ ফোর বি এম সী ত্রোফি ২০১৭ ঙসি লোইশিনখিবগা লোয়ননা ঈ এস য়ু ৱাংখৈনা পোইন্ট ১০ ফংদুনা চেম্পিয়ন ওইখ্রে।

নুপীগী টিম মঙানা শরুক য়াদুনা হৌখিবা ফেব্রুৱারী ২৪ দগী চথুরকখিবা সেনিয়র ৱিমেন'স ফুটবোল লীগ ২০১৭ কী ঙসি লীগ মেচ লোইশিনখিবগা লোয়ননা ঈ এস য়ু ৱাংখৈনা পোইন্ট ১০ ফংদুনা লীগ অসিগী চেম্পিয়ন ওইখিবনি।

ঈ এস য়ু ৱাংখৈনা মেচ মরি শান্নখিবদা মেচ অহুম মায় পাকখি। মেচ অমনা দ্রো ওইদুনা পূন্না পোইন্ট ১০ ফংবা ঙমখিবনি। ক্রিপসা নাওরেমথোংনা মেচ মরি শান্নখিবদা মেচ অনী মায় পাকখি। মেচ অনীনা দ্রো ওইদুনা পোইন্ট ৮ ফংদুনা রন্নর্স-অপ তাখি।

মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লবনা মেচ মরি শান্নখিবদা মেচ অনী মায় পাকখি। মেচ অমনা দ্রো অদুগা মেচ অমনা মায়থীদুনা পোইন্ট তরেৎ ফংলগা অহুমশুবা পোজিসন তাখি। এন ৱাই টি ঐচ সী ওক্রম চুথেক্না মেচ মরি শান্নখিবদা মেচ অমা মায় পাকখি। লেমহৌরিবা মেচ অহুম্না মায়থীদুনা পোইন্ট অহুমখক ফংলগা মরিশুবা পোজিসন তাখি। ৱাই দল্লিয়ু সী লংথবালনা মেচ মরি শান্নখিবদা মরিমক মায়থীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী খ্বাইগী মনিংদা লৈখি।

ঙসি শান্নখিবা লীগকী অহানবা মেচতা ঈ এস য়ু ৱাংখৈ অমসুং ক্রিপসা নাওরেমথোং গোল ২-২ দা দ্রো ওইদুনা পোইন্ট অমমম য়েন্নখি। মেচ অদুদা মায় পাকপা টিমনা চথুরিবা লীগ অসিগী চেম্পিয়ন ওইগদবা মরম্না মায়কৈ অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না থৱায় হকচাং য়াওনা শান্নখি। য়াম্না কম্পিটিটিভ ওইখিবা মেচ অদুদা ক্রিপসা নাওরেমথোংগী অহানবা গোল এস রঞ্জনানা মেচকী ৩৪ শুবা মিনিটতা চনখি। টিমদুগী অনীশুবা গোল এন রতনবালানা মেচকী ৭৪ শুবা মিনিটতা চনখি।

ঈ এস য়ু ৱাংখৈগী অহানবা গোল টি ঐচ উমাপতিনা মেচকী ৫২ শুবা মিনিটতা চনখি। দল্লিয়ু রঞ্জিবালানা টিমদুগী অনীশুবা গোল মেচকী ৮২ শুবা মিনিটতা চনখি।

ঙসি শান্নখিবা অরোইবা লীগ মেচতা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লবনা এন ৱাই টি ঐচ সী ওক্রম চুথেক গোল ৫-০ দা মায়থীবা পীখ্রে।

# টি-২০ লুৱাংপোকপা ত্রোফিদা ত্রাও ক্বাকৈথেল অমসুং সাইক্লোন থাংমৈবন্দ মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ০২ (ঐচ এন এস): মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএশন (এম সী এ) না শিন্দুনা লুৱাংপোকপা ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা চথুরিবা এম সী এ টি-২০ লুৱাংপোকপা ত্রোফি ২০১৭ কী ঙসি শান্নখিবা মেচতা ত্রাও ক্বাকৈথেল অমসুং সাইক্লোন থাংমৈবন্দ মায় পাকখ্রে।



টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেচতা ত্রাও ক্বাকৈথেলনা কে আই ৱাই সী ক্ষেত্রিগাও ৱিকেট ৬ তা মায়থীবা পীখ্রে।

মেচ অদুদা কে আই ৱাই সী ক্ষেত্রিগাওনা টোস ঙমদুনা অহানবা বেট্টিং তৌনবা খনখি। কে আই ৱাই সী ক্ষেত্রিগাওনা ওভর ২০ মায়োক্নখিবদা ৱিকেট ৬ আউট ওইরগা রন ৮২ লৌখি।

কে আই ৱাই সীগী অবদুলানা রন ১৯ (৩৭), সুরেসনা নোট আউটতা রন ১৭ (২৪), অবদুল অহম্মদনা রন ১৪ (২৫) লৌখি। ফিল্ডিং তৌখিবা ত্রাও ক্বাকৈথেলগী বোবিন্দনা ৱিকেট ২, থোমাস, প্রিয়োজিৎ অমসুং রাজুনা ৱিকেট ১/১ লৌখি।

কে আই ৱাই সী ক্ষেত্রিগাওনা থন্নলম্বা টার্গেট সেস্কার অদুগী পাউখুম পীরদুনা অনীশুবা বেট্টিং তৌখিবা ত্রাও ক্বাকৈথেলনা ওভর ১৪.৪ মায়োক্নখিবদা শুপ্নগী ৱিকেট ৪ খক আউট ওইরগা রন ৮৬ লৌদুনা কে আই ৱাই সীবু ৱিকেট তরুক্তা মায়থীবা পীখি।

ত্রাও ক্বাকৈথেলগী বেটসমেন জোনসন্না নোট আউটতা রন ২৩ (২৬), রেনজুনা রন ১৭ (১৬), সরোজনা রন ১৫ (১৫), প্রিয়োজিৎনা রন ১৩ (৯) লৌখি।

ফিল্ডিং তৌখিবা কে আই ৱাই সীগী বোলর ইমরান খান অমসুং অবদুলনা ৱিকেট ২/২ লৌখি। মেচ অদুদা মায় পাক্লবা ত্রাও ক্বাকৈথেলগী বোলর বোবিন্না ৱিকেট ২ লৌদুনা মেন ওফ দ মেচ তাখি।

ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেচতা সাইক্লোন থাংমৈবন্দনা টি সী এম দি সী রন ১১১ দা মায়থীবা পীখি। মেচ অদুদা টি সী এম দি সীনা টোস ঙমদুনা ফিল্ডিং তৌনবা খনখি।

অহানবা বেট্টিং তৌখিবা সাইক্লোন থাংমৈবন্দনা ওভর ২০ মায়োক্নখিবদা ৱিকেট ৪ আউট ওইরগা রন ১৬৪ লৌখি। সাইক্লোনগী বেটসমেন ৱিল্লিয়মনা নোট আউটতা রন ৫১ (২৫), নরসিংনা রন ৪১ (২৭), রোনাল্ডনা রন ৩৩ (৩৮), বিটেশ্বরনা রন ২১ (২২) লৌখি।

ফিল্ডিং তৌখিবা টি সী এম দি সী থোংজুগী বোলর তুলজিৎনা ৱিকেট অনী, ঙান্থোই অমসুং প্রিয়োবত্তনা ৱিকেট অমমম লৌখি।

সাইক্লোন থাংমৈবন্দনা থন্নলম্বা টার্গেট স্কোর অদুগী পাউখুম পীবা ঙমদনা অনীশুবা বেট্টিং তৌখিবা টি সী এম দি সী থোজুনা ওভর ১২.২ মায়োক্নখিবদা শুপ্নগী রন ৫৩ খক লৌরগা ওল আউট ওইখিদুনা সাইক্লোনগী মখূৎতা য়াম্না লাকচনা মায়থীখি।

টি সী এম দি সী থোংজুগী আনন্দা রন ৩৯ (১৮), প্রিয়োবর্ত্তনা রন ১০ (১১), সুরজনা রন ১২ (৯) লৌখি। ফিল্ডিং তৌখিবা সাইক্লোনগী বোলর সোমোরজিৎনা ৱিকেট তরুক লৌখি। অক্ষে কুমারনা ৱিকেট অনী, হোমেন্দ্রো অমসুং ননাওনা ৱিকেট অমমম লৌখি। মেচ অদুদা সাইক্লোনগী সোমোরজিৎনা মেন ওফ দ মেচ তাখি।

হয়েং অয়ূক আর আর সী সী অমসুং রি য়ঙ ষ্টারগা শান্নগনি। নুংথিলদা ৱাই দল্লিয়ু সী লংথবাল অমসুং ৱাই দল্লিয়ু সী পাৎশোইগা শান্নগনি।




HL-B/3673/17/2-22/3




HL-P/1010/03/03-6/04



HL-B/3662/9,11,13,15....




Printed, published by Soubam Niladhaja Singh owned by Soubam Niladhaja Singh published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal-795001 & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Group Editor : Soubam Niladhaja Singh; RNI No. 40746/1978; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com, www.hueiyenlanpao.com